# মুসলিম লো বোর্দনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা শারিয়া কোর্ট হাঙদোক্নবা থৌরাং তৌখ্রে



লক্ষনৌ, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):

ওল ইন্দিয়া মুসলিম পর্সনেল লো বোর্দ (এ আই এম পি এল বি) না ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা শারিয়া কোর্ট হাঙদোক্নবা থৌরাং তৌখ্রে।

বোর্দ অদু ইন্দিয়াগী ওইনা মুসলিম লোগা মরী লৈননা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা খ্বায়দগী ৱাংবা বোদি অমনি। মুসলিম লো বোর্দ অদুগী অখন্নবা মীফম অমা চৎলিবা থা অসিগী ১৫ দা লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্তুনা হিরম অদুগী মতাংদা খন্নরগনি হায়রি।

হৌজিকমক্কী ওইনা উত্তর প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা মফম নিফুদা শারিয়া কোর্ট লৈরি। অদুগুম্বা কোর্ট অদু লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা হাঙদোক্নবা থৌরাং তৌরি। শারিয়ট লোগী মখাদা দরুল-কাজানা ৱায়েল থৌদা পাঙথোক্লবা থৌশিল পায়খৎলে হায়না ওল ইন্দিয়া মুসলিম পর্সনেল বোর্দকী সেনিয়র মেম্বর জফরেয়ব জিল্লানিনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

দরুল-কাজা নৎত্রগা শারিয়া কোর্ট অদু মথৌ তৌহন্নবা হোৎনবদা চাউরাক্ল
া লুপা লিশিং ৫০ রোম চঙগনি। দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদুনা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌরগনি হায়রি। শারিয়া লোবু পাক শন্না মীচমশিংদা খঙহন্নবগীদমক থৌশিল কয়া পায়খৎলি। লোয়ননা তাফাহেম-ঈ-শরিয়ট কম্মিটিসু মথৌ তৌহল্লগনি হায়রি।

তাফাহেম-ঈ-শরিয়ট কম্মিটি চপ চানা মথৌ তৌহন্নবগীদমক উকিল, জজ অমসুং মীচমশিংদা শরিয়ট লো খঙহন্নবা থৌশিল কয়াসু পায়খৎলি। ওল ইন্দিয়া মুসলিম পর্সনেল লো বোর্দকী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নরগনি হায়নসু জিল্লানিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

তাফাহেম-ঈ-শরিয়ট কম্মিটি লৈরকখিবা চহী ১৫ রোম শুরে। লুপ অদুনা লো শেম্নবা হোৎনখিবনি। শারিয়া লোগা মরী লৈনবশিং মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক তৌবা য়াবা থবক থৌরমশিং তৌগনি। কম্মিটি অদুনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা কনফরেন্স অমসুং ৱার্কশোপ কয়া পাঙথোক্তুনা ইস্লামিক লোগী মতাংদা খঙ হৈরবশিংনা হিরম অদুদা ৱা ঙাংবগা লোয়ননা লম অদুগী মতাংদা থিগৎপা অমসুং চৎনহনবা য়াবগী ফিভম শেমগৎনবা হোৎনগনি হায়রি।

কম্মিটি অদু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা মখা তাবা থৌশিল কয়া পায়খৎকনি। হৌজিক মরুওইবা অমা ওইনা খন্নরিবা ত্রিপল তালাক অমসুং নুপী খায়নবনচিংবগী মতাংদসু প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎকনি। মদুতা নত্তনা অতোপ্পা হিরম কয়াদসু খন্নগনি। বাবরি মসজিদ কেস অমসুং মদুগী মতুংদা ওইরকপা য়াবা হিরমশিংগী মতাংদসু খন্নগনি হায়রি।

মুসলিমশিংগী ফেক্সনশিংনা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অদু পন্থহনবা পামদ্রি। হিরম অদুগী মতাংদা মীদিয়াদা চপ চানা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ৱারেপ লৌগদবনি হায়রি। লুচিংবা খরনা অযোধ্যাদা রাম লাইশঙ শাগৎপগী ৱাফম শৌগৎপা লৈরি। হিরম অদুগী মতাংদসু ওল ইন্দিয়া মুসলিম পর্সনেল লো বোর্দনা খন্নদুনা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা চেরোল অমা থোক্কদবনি হায়রি।

# থাই শুরুং মনুংদগী অঙাং অনী কনবা ঙমখ্রে

বেঙ্কোক, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):

থাইলেন্দগী লমকোয়বশিংগী খ্বায়দগী মীৎয়েং চিংশিনফম ওইরিবা অমসুং বুদ্ধগী অখন্নবা মীতমশিং লৈরিবা শুরুং থাম লুআংদা মমাং থাগী ২৩ দগী থোকপা য়াদনা লৈখ্রবা চহী ১১ দগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ফুটবোল শান্নরোয়শিং অদুগী মনুংদা অনী ঙসি কনবা ঙমখ্রে।

অঙাং অনী অদু চয়োল অনীরোম শুরুং অদুগী মনুংদা থোকপা য়াদনা লৈরুরবা মতুং ঙসি মায় পাক্লা শুরুং অদুগী মনুংদগী পুথোকপা ঙমখিবনি হায়রি। শুরুং অদুগী মনুংদা শান্নরোয় ১২ অদু কোচ অমনা লমজিংদুনা লমকোয়বগী শরুক অমা ওইনা চঙশিনখ্রবা মতুং অকনবা নোং চুরকপদগী শুরুং অদুগী মনুং অমসুং থোকফমদা ঈশিং থুমজিল্লকপনা মরম ওইরগা চয়োল অনীরোম থোকপা য়াদবা ফিভম অমদা লৈরকখিবনি।

দাইভরশিংনা অঙাংশিং অদু থাম লুআং শুরুং অদুদগী লৌথোক্লবা অকনবা থবক পায়খৎতুনা লাকপনি। চয়োল অমগী মমাংদগী থাইলেন্দগী মশীং য়াল্লবা ভলুন্টিয়র অমসুং মীদিয়া পর্সনেল কয়ানা শুরুং অদুগী মচিন্দা অঙাংশিং অদুগী মমা-মপাশিংগা লোয়ননা ঙায়দুনা লৈরকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা পাউমী অমনা ফোঙদোরকখিবদা, মী কনবগী অকনবা থবক চথবা হৌখ্রে। বৃটিশ দাইভরশিং য়াওনা লৈবাক অদুগী নেভি দাইভরশিংনা ঈশিং থুমজিনখ্রবা শুরুং অদুগী মনুংদা লৈখ্রবা অঙাংশিং অদু কন্ননবা হোৎনরি।

শুরুং মনুংদা লৈখ্রবা অঙাংশিং অদুনা শীংনবা কয়া মায়োক্নরি। চান-থক্লবা চিঞ্জাক নীংথিনা ফঙদবা অমসুং ওক্সিজেনগী চাং হন্থরকপনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহনখি। দাইভর ১৮ রোমনা শুরুং মনুং অদুদা চঙশিন্দুনা অঙাংশিং অদু পুথোরক্লবা হোৎনখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা অঙাং অনী কনবা ঙমখ্রে হায়বা পাউ ফঙবা ঙম্লে। শুরুং অদুগী মনুংদা লৈরিবা অঙাংশিং হৌজিকসু মশা-মউ ফনা লৈরি। লোয়ননা তৌগদবা থবকশিং চপ চানা লেপথোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈরি।

অঙাংশিং অদুগী মমা-মপাশিংনা শুরুং মনুংদা লৈখ্রবা অঙাংশিং অদু অথুবা মতমদা কন্ননবা চপ চাবা খোঙথাং লৌখৎনবা তকশিনখিবগা লোয়ননা দাইভরশিংনা অকনবা থবক পায়খৎখি। অঙাং অমগী মমানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক মচানুপা উদবদা লৈবা ঙমদ্রে। মহাক শিরবগুম পুক্নিংদা ফাওহনবগা লোয়ননা থবক অমত্তা তৌবা ঙমদ্রে হায়রি।

# জপানগী ঈচাওদা মীওই ৮১ শিখ্রে

টোকিও, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তগী জপানদা অকনবা নোং চুরকপনা মরম ওইরগা মফম কয়াদা লেন্দস্লাইদ থোকহনখিবা অমসুং ঈচাওনা শিহনখিবা মীগী মশীং ৮১ শুখ্রে হায়না ঙসি লোকেল মীদিয়ানা রিপোর্ট তৌরক্লি।

জপান পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা, লেন্দস্লাইদ অমসুং ঈচাওনা মরম ওইরগা মীওই ৭৮ শিখ্রে হায়বা কনফর্ম তৌরে। অদুগা মীওই নিপান্না অরুবা ফিভমদা শোকহনখ্রে। থৌদোক অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৫৭ থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ৩৫ দি হিরোসিমা লমদমদা শিখিবনি। অকনবা নোং অমসুং লেন্দস্লাইদনা ইহিমি লমদমদা মীওই ২০ শিহনখি। মদুতা নত্তনা ফুকুওকা, কিয়োটো, ওকায়ামা, গিফু, কোচি, সিগা, হেয়োগো অমসুং য়ামাগুচিনচিংবা মফমশিংদসু মীওই কয়া শিখ্রে হায়বগী পাউ লৈ হায়রি। থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ৪১ দি হিরোসিমাদগীনি হায়রি।




HL-P/1804/9


# মতম অমত্তদা মীখল পাঙথোকপনা ফেদরেল ষ্ট্রকচরদা অকায়বা পীগনি: দি এম কে

চেন্নাই, জুলাই ০৮ (এজেন্সী): টামিলনাদুদা ওপোজিসন ওইনা লৈরিবা দাবিদ্রা মুনেত্রা কাজাগম (দি এম কে) না লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লী মীখল মতম অমত্তদা পাঙথোকপা হায়বদু খুদোংচাদবা কয়া লৈগনি হায়না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

লো কম্মিসন্না পুখৎলিবা ৱাফম অদুনা লৈবাক অসিগী ফেদরেল ষ্ট্রকচরদা চাউনা অকায়বা পীগনি হায়না দি এম কেগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম কে ষ্টেলিন্না ফোঙদোকখ্রে। লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, অতল বিহারি বাজপায়না প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা কুমজা ১৯৯৯ দা ৱাফম অদু পুখৎলকপা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক মায় পাকখিদ্রবনি হায়খি। পার্লিয়ামেন্টনা অদুগুম্বা ৱাখল্লোন অদু চৎনহন্নবা হোৎনরকপা হায়বসিদা তোঙান তোঙানবা মায়কৈ কয়াদগী ৱাখল্লোন কয়া ফোঙদোক্লরকপা লৈরি। লিগেল অমসুং পোলিটিকেলগী ওইবা মীৎয়েং কয়াদা মদু কান্নরোইদবা অমনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিদা হৌজিক লো কম্মিসন্না পুথোকপা কাঙলোনশিং চৎনহনবদা খুদোংচাদবা নৎত্রগা খুদোংথিবা কয়া লৈরি। অদুগুম্বা ৱাখল্লোন অদুদা দি এম কেনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। লো কম্মিসনগী ৱাফম অদুগী মায়োক্তা লৈ। লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লীগী মীখল মতম অমত্তদা পাঙথোকপা হায়বদুনা দেমোক্রেসিগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা চাউনা অকায়বা পীবতা নত্তনা কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা অমনি। লো কম্মিসন্না চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ১৭ তা চেদা শেমখিবা কাঙলোন অদু খুদোংচারোইদবা অমনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে। ষ্টেট এসেমব্লীগী ওইনসু কন্সটিট্যুসনগী ওইবা চপ চাবা চৎন-কাঙলোন লৈ। চেপ্তর থ্রিগী মখাদা অদুগুম্বা মীখলশিং অদু ষ্টেটনা পাঙথোক্লবগী রাইট লৈরিবনি হায়রি।

# পি ও কেদা মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ হৌরকখ্রে

শ্রীনগর, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):

পাকিষ্টান্না টেররিষ্টশিংদা ঙাকলৌ পীবা অমসুং মখোয়দা শেল-থুমগী মতেঙ পীবগী থবক থৌরমশিং হেনগৎলকপগী মায়োক্তা পাকিষ্টান্না খুদুম চনবা কাশ্মীর (পি ও কে) দা মীয়াম্না অচৌবা য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে।

লমদম অদুদা লৈবা মীচমশিংদা লেপ্তুনা কিহন-খঙহনবগী থবক চথরকপা অমসুং ইস্লামাবাদনা টেররিষ্ট কাঙলুপ মরুওইনা লাস্কর-ঈ-তোইবা (এল ঈ টি) অমসুং জাইস-ঈ-মোহমদনচিংবদা চঙজফম পীবা, ট্রেনিং অমসুং শেল-থুমগী মতেঙ পীবগী মতাংদা মীয়াম্না য়ানিংদবা খোঙজং অদু চঙশিল্লকখিবনি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না, টেররিষ্টশিংনা মিলিটেন্ট কয়া পি ও কেদগী পাকিষ্টানগী সেক্রেট এজেন্সী ইন্টরিম সর্ভিস ইন্টিলিজেন্স (আই এস আই) না ইন্দিয়ানা খুদুম চনবা কাশ্মীরগী শরুকশিংদা থাজিন্নবা হোৎনরি। মালেমগী লৈবাকশিংনা অদুগুম্বা থৌওং অদু টেররিজমগী শরুক অমনি হায়না মীৎয়েং থল্লি।

জম্মু অমসুং কাশ্মীর লিবরেসন ফ্রন্টকী লুচিংবা সরদার জাগিরখান্না হায়, ফিভম অসিদা মখোয়গী ৱাকৎশিং অদু কনা অমত্তনা তাবিদ্রে। মালেমগী লৈবাক কয়ানা পাকিষ্টানদা লৈরিবা টেররিষ্টশিং মুথৎনবা অকনবা শাফু পীরক্লি। মরুওইনা লাস্কর-ঈ-তোইবা, জাইস-ঈ-মোহমদনচিংবা লুপশিং চঙজফম পীদনবা ৱাফম কয়াসু থল্লক্লি। হায়রিবা লুপশিং অদুগী লুচিংবা মৌলানা মসুদ অজারনচিংবশিং পাকিষ্টান্না খুদুম চনবা কাশ্মীরগী শরুকশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবনি হায়রি।


M/S. SARASWATI COMPUTER, URIPOK

ADMISSION OPEN

- Meetei Mayek তম্বগী Form থাজরে।
  (20 Seats only - First come first chance)
  (Timing : 3:00 pm to 5:00 pm)
- Short Hand "Stenographer"
- Tally – ACCA-CCA-CCL-CCC
- DTP (MS Office, Photoshop)

*Last date of form submission : **12th July, 2018***
*Classes will be commence from **13th July, 2018***
*Classes timing : **6 a.m. to 6 p.m.***
***N.B. : Wanted 1(one) person well experienced in DTP.***

*Sd/-* Principal
*M/s. Saraswati Computer, Uripok*
HL-P/1775/5,7&9 Contact ☎ 8414883468



মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থন্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মথক্ত পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্ত মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

**Regd. No. 4277 of 82 April**
Phone No. **9612225582**
**DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee**

HL-B/4699/19/6-18/07



STUDY MBBS/MD
IN ABROAD

BANGLADESH, CHINA, KAZAKHSTAN
KRYGYSTAN, PHILIPPINES, GEORGIA
SOUTH AMERICA, UKRAINE, RUSSIA
(PACKAGE STARTS FROM 12 LAC)
Eligibility : 2018 NEET Qualified Candidate Only

ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)
Class starts from 11th July 2018

Free seats for 450 above in NEET Exam. 2018 & PCB 80%

A.S. Education Trust Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal

Special Coaching Classes for ANATOMY, PHYSIOLOGY, BIOCHEMISTRY, CHINESE AND BENGALI WILL START FROM 1ST JULY 2018.

PLZ Contact : Atawar Rahman, A.S. Education Trust
(JR INTERNATIONAL CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School, Imphal East, Manipur

BRANCH OFFICE :
A.S. Education Trust
Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal


Contact No. : 8974084294, 9615706900,8415930785,8794249895

HL-P/1549/28/6-6/7



TREATED SUCCESSFULLY

মায় পাক্লা লায়েংজরি


PH. ALAM

**PILES :** খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নাম্থবা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু-মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।

**GASTRIC :** চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।

**STONE CASE :** পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।

**ASTHMA AND COUGH:** শ্বর হোনবা ৱাবা, খৌ মনুংদা কঙশিল্লগা লোক খুবা, থবাক ফুল্লগা শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর মপুংফানা হোনবা ঙমদবা অসিনচিংবা।

**SINUS :** নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।

**LIVER, JAUNDICE, SUGAR :** লিভর জোন্দিস অমসুং সুগর প্রোব্লেম্ন চিংবা লায়েংজরি।

**BODY PAIN (PARALYSIS) :** খোঙ-খূৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং-তাং চিকপা, শীংলি-শীংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংজরি।

1. NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND MINUTHONG
2. KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST.(WEDNESDAY & THURSDAY) OPEN

MOBILE NO.: 8787579776 / 8259968220

HL-P/1693/21/6-19/7(Alt.



ADMISSION OPEN

ENGLISH COACHING

*For*

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
  [Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

*At*

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact Nos. ☎ 8974642764

HL-P/3380/4/7-3/8



EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

Limited Seats!

Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm
Contact: 9612194500 | 8731977228

ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018

CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)
* PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
* PROBABLE SUGGESTIONS
* SPECIAL TEST SERIES
* COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
* WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
* HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS

FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month)
CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)

CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018

OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:



FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Premika (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharambi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sonia (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Nambily (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mithunjay (3 Yrs Experience in Teaching)
1. Sir Subhaschandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wenliam (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apol (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chetan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Bonjo (5 Yrs Experience in Teaching)

HL-P/3359/15/6-15/7



TUTORLINE STUDY CENTRE
Estd. 2009

ADMISSION OPEN
Foundation Courses for Class - XI & XII (Science)
& Special Arts Foundation Courses for Class-XII

OUR LAURELS IN HSLCE-2018



Patel Lairenjam
2nd Rank HSLC-2018

Malemnganba Oinam
19th Rank HSLC-2018

Nandeibam Sonia
89.6% HSLC-2018

Class timing: 4:30 a.m. to 7:30 a.m.
Class starts from : 21st June, 2018
VAN & HOSTEL FACILITIES AVAILABLE
OFFICE HOUR - 3:00 PM. TO 7:30 P.M.

Plz Contact : 9774233498 / 9856574172 Keishampat Sega Road, Near Naharolgi Thoudang

HL-B/4693/13/6-13/7